জি এস টিনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙম্লগনি : অমিট শাহ

পানাজি, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :

গুড্স এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি)বু তরাম্না ওক্লদুনা বি জে পিগী লুচিংবা অমিট শাহনা হায়খ্রে মদুদি, অনৌবা টেক্স রেজিম অসিনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগা লোয়ননা 'ইন্সপেক্টর রাজ' লোইশিনহনবা ঙম্লগনি।

হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা জি এস টি লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমা পার্লিয়ামেন্টতা পাঙথোকখিবনি। নুমিৎ নীনিগী গোৱা খোঙচৎতা লাকখিবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা হায়খি, জি এস টি চৎনরবনিনা তোঙান-তোঙানবা টেক্স মখল ১৭ মুখৎতুনা অপূনবা টেক্স অমখক্তমক চৎনরগনি। মদুনা মরম ওইরগা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং অপীকপা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংদা চাওনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংবু ইন্সপেক্টর রাজকী মখূৎতগী নাম্থোকপা ঙমহল্লে।

মহাক্না হায়খি, জি এস টি চৎনহনবদা খুদোংচাদবা খরা শোয়দনা মায়োক্নরকপা য়াই। অদুবু মতমগী মতুংইন্না খুদোংচাদবা পুম্নমক তপ্না-তপ্না কোকহনবা ঙমগনি। অনৌবা টেক্স রেজিম অসিনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা মালেমদা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইবা ঙম্লগনি।

জি এস টি লোঞ্চ তৌখিবগীদমক প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা অমিট শাহনা হায়খি, ইন্দিয়ানা নিংতম্লবা মতুংদা নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা খ্বাইদগী চাওনা টেক্স লৌবগী মওং শেমদোক্লে।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা 'লৈবাক অমা, টেক্স অমা' হায়বা পান্দম ফংবা ঙম্লে। মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি হেক লাকপদগী হীরম খুদিংমক্তা অনৌবা অমসুং মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি। অদুবু খ্বাইদগী চাওবা মওংদা লৌখৎখিবা শেমদোক-শাদোকপগী থৌরাংদি হৌখিবা অহিংদা জি এস টি চৎনহনখিবা অদুনা ওইরে।

দেবোলিম এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা অমিট শাহবু পার্টি ৱার্কর ২৫০০ হেনবনা তরাম্না ওকখি।

এয়রপোর্টতা তিনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকার, বি জে পি গোৱা য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট বিনয় তেন্দুলকর, পার্টিগী নেসনল জোইন্ট সেক্রেটরি সন্তোশজি, য়ুনিয়ন অয়ুশ মিনিষ্টর শ্রীপাদ নাইক, সাউথ গোৱাগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট নরেন্দ্র সৱাইকার অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়া য়াওখি।

নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাকখিবা শাহনা চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা য়াওরিবা পার্টি খুদিংমক্কী লুচিংবশিং, প্রোফেসনেলশিং অমসুং মীখলদা মায় পাক্লকখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিং উনদুনা ৱারী শানগদৌরি।

এয়রপোর্টতগী মহাক্না পানাজিদা চৎতুনা পার্টিগী মীখলদা মায় পাক্লবা মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি। মদুগী মথংদা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট, হোটেল মপূ, চার্টর একাউন্টেন্ট অমদি দোক্টর য়াওনা প্রোফেসনেল কয়াদা ৱা ঙাঙখি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদা পার্লিয়ামেন্টতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা জি এস টি চৎনরে হায়না লাউথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ভাইস প্রসিদেন্ট হামিদ অন্সারি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর এচ দি দেবেগৌরা, লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজন, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি, এম পিশিং, চীফ মিনিষ্টরশিং, ষ্টেটশিংগী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিং, লোয়ননা ষ্টেটশিং অমসুং সেন্টরগী ওফিসল কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবনি মদুদি, জি এস টি চৎনহনখিবগী থৌওং অদু ইন্দিয়ন দেমোক্রেসি মায় পাকপগী খুদমনি হায়না লৌবা য়াই। সর্দার পটেলনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং অমত্তা ওইনা পূনশিনহনখিবগুম জি এস টিনা শেল-থুমগী লম্দা লৈবাক অসি অমত্তা ওইনা পূনশিনহল্লগনি।

অনন্তনাগতা খূৎ থোক্নবদা লাস্করগী লুচিংবা বাসির লক্সারি, অতোপ্পা ২ শিরে

শ্রীনগর, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :

মমাঙ থাদা পুলিস পার্সনেল ৬ হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীয়াম্না কিনরগা লাস্কর-ঈ-তোইবগী লুচিংবা বাসির লক্সারি অমসুং অতোপ্পা টেররিষ্ট অনী কাশ্মীরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খূৎ থোক্নবদা লৈখিদ্রে।

বাসির লৈখিদবগী পাউ অদু অচুম্বনি হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা কনফর্ম তৌখি।

পুলিসনা হায়খি, অনন্তনাগকী ব্রেন্তি খুঙ্গংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা বাসির লক্সারি য়াওনা টেররিষ্ট মরি লাঙ্গোয় চনশিন্দুনা থমখি। হায়রিবা মিলিটেন্টশিং অদু হৌখিবা জুন ১৬ তা সাউথ কাশ্মীরগী অচাবাল এরিয়াদা ষ্টেসন হেদ ওফিসর অমা অমসুং অতোপ্পা পুলিস পার্সনেল মঙা হাৎখিবগী থৌদোক্তা হকথেংননা চেন্নবা মীওই ঙাক্তনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

নাকল অনী খূৎ থোক্নবদা হাইদোরকপা নোংমৈ মরূনা পানবদগী নুপী অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই তরেৎ অশোক-অপন নংখি।

মিলিটেন্টশিংনা য়ূম অমদা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা মীচম ১৭সু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হৈশিংবা মওংদা কনবা ঙমখি। থৌদোক অদুদা তাহিরা কৌবী মশাগী চহী ৪৪ শুরবী নুপী অমা হাইদোরকপা নোংমৈ মরূনা পানবদগী শোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

নোংঙাল্লমদায় পুং ৩ তাবদা

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অনন্তনাগকী ব্রেন্তি-বাটপোরা লাঙ্গোয় চনশিন্দুনা থল্লগা য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা থি-হুম্বগী থবক চথখি। য়ূম অমদা লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনসু খূৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখি।

অৱাং থংবা কাশ্মীরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা য়ুরি এরিয়াগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী লান্মীশিং নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা নুপী অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

পাকিষ্টাননা য়ুরিগী দার্দকোট এরিয়াদা অকনবা মওংদা মোর্টার অমদি ওটোমেটিক ৱেপন শীজিন্নদুনা এটেক চথরকপদা সকিলা বেগম (৪৫) কৌবী নুপী অমা মোর্টার সেলগী মচেৎনা পানবদগী শোকখি। শোক্লবা নুপী অদু য়ুরিগী হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নরল্লবা মতুংদা মখা তানা লায়েংলুনবগীদমকশ্রীনগরদা পুখিরম্মী।

অমরোমদা, সেপরেটিষ্ট হুরিয়ট কনফরেন্সকী লুচিংবা মিরৱাইজ উমর ফরুকপু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রবনি। সেপরেটিষ্ট লীদর অসিনা হাওহাটাদা লৈবা জামিয়া মসজিদতা ইরাই নুমিৎকী লাই খুরুম্বা চৎলমদায়দা পুলিসনা ফারগা ময়ূমদগী হেন্দোকহনখিদবনি।

হুরিয়টকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, উমর ফরুকনা জামিয়া মসজিদতা চৎতুনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংদা ৱা ঙাঙগদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী পুলিসনা মাঙজৌননা অথিংবা অদু পীখিবনি।

হুরিয়ট কনফরেন্সনা ইরাই নুমিৎকী লাইশোল লোইরবা মতুংদা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না পামদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই খনবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা গ্লোবেল টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা সয়িদ সলাহুদ্দিনবু পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)গী মুজাফরবাদতা মীয়াম্না তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা সলাহুদ্দিনবু গ্লোবেল টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা পি ও কেগী মীয়াম্না মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখিবনি।

রাম নাথ কোবিন্দনা এ আই এ দি এম কেগী ফেক্সনগী মতেং লৌনবা হোৎনখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :

প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী মীরেপ ওইনা চোংথোরকখিবা রাম নাথ কোবিন্দনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মতেং লৌনবা হোৎনরি।

মহাক্না ঙসি চেন্নাই এয়রপোর্টতা থুংলখিবগা লোয়ননা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও পনিরসেলবম অমদি মহাক্কী মায়কৈদা লৈরিবা লেজিসলেটরশিংগী মতেং লৌনবা হোৎনখি।

টামিল নাদুদা এ আই এ দি এম কে মচেৎ তাখিবগা লোয়ননা পালানিস্বামি, পনিরসেলবম অমসুং পার্টিগী দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি টি টি ভি দিনাকরননা লুচিংবা কাঙলুপ অহুম থোরকখি। কোবিন্দনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মতেং পাংবীনবা পনিরসেলবমগী কাঙবুদা হায়জখি।

অমরোমদা, এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দনা পুদুচেরিগী লেজিসলেটরশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী অমত্তা ঙাইরবা লোক সভাগী মেম্বরগা উনদুনা প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

মশাগী চহী ৭১ শুরবা কোবিন্দনা ঙসি অয়ুক ন্যু দিল্লিদগী চেন্নাইদা থুংলখিবা মতমদা বি জে পি টামিল নাদুগী নুপী লুচিংবশিং এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখি। তুংদা মহাক্না হোটেল অমদা চৎতুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও পনিরসেলবম অমদি হৌজিক-হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা কে পালানি-স্বামিগী মতেং লৌনবা হোৎনখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু কোবিন্দনা চান্দিগরদা চৎতুনা হরিয়ানা অমদি পঞ্জাবকী লেজিসলেটরশিংগা উনবা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা কন্সটিট্যুসনেল পোষ্ট ওইরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগা মরী লৈননা বি জে পিনা পুথোরকপা মীরেপ্তা সমাজৱাদি পার্টিনা শৌগৎলকপদগী ওপোজিসন পার্টিশিং নাকপাক তানবগী ফীভমদা লাকখ্রবনি।

বি জে পিনা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা পুখৎলকপা রাম নাথ কোবিন্দদা সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা শৌগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা মতিক চাবা মীরেপ অমা পুথোরক্লে। এন দি এগী মীরেপ ওইনা পুথোরক্লিবা রাম নাথ কোবিন্দনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না ভেটরান সোসলিষ্ট লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনসু বি জে পিগী প্রসিদেন্ট মীরেপপু থাগৎপা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নিটিশ কুমারনা হায়খি, বিহারগী গভর্ণর অমা ওইনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা মীওই অমনা লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইরবদি মীপুম খুদিংমক্কী কানগনি। অদুমওইনমক মীখলদা রাম নাথ কোবিন্দবু শৌগৎকদ্রা হায়বগী মতাংদদি মহাক্না ৱাফম অমত্তা পনখিদে।

এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দনা অপূনবা ভোটকী চাদা ৬২ ফংবা তারবসু মমাঙগী মীখলদা প্রনাব মুখর্জীনা ফংখিবা ভোট মশীং শুনা ফংগদবা মান্দে হায়না থাজনরিবনি।

হন্দক্কী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা দলিট মীরেপ অনী লম্বা তৌরবসু লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা শোয়দনা মায় পাকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অপূনবা ভোট ১০,৯৮,৯০৩ গী মনুংদা রাম নাথ কোবিন্দনা ভোট লাখ ৭ লোম ফংলগা ওপোজিসনগী মীরেপ মৈরা কুমারনা ভোট লাখ ৪ রোম ফংবা য়াই হায়না থাজনরি।

রাষ্ট্রিয়া জনতা দল, সমাজৱাদি পার্টি, বহুজন সমাজ পার্টি, তৃণমূল কোংগ্রেস অমদি সী পি আই (এম)না ওপোজিসনগী মীরেপ্তা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হন্দক্কী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপো-জিসননা মায় পাকপা য়াবগী মমি উদ্রে। এন দি এদা য়াওদবা জনতা দল য়ুনাইটেদ, বিজু জনতা দল, এ আই এ দি এম কে, টি আর এস অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা রাম নাথ কোবিন্দদা শৌগৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

ঙামী ৫০০ য়াওনা ইন্দিয়ন ৫৪৬ পাকিষ্টানদা ফাজিন্দুনা থম্লি হায়বা খঙলে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টানগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ঙামী ৫০০ য়াওনা ইন্দিয়া মচা চাওরাক্না ৫৪৬ ফাজিন্দুনা থম্লি হায়বা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটতা খূৎশিন্নরকখিবা চেরোল অমদগী খঙবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০০৮ গী মে ২১ দা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা সাইন তৌনখিবা কোন্সুলর এসেস এগ্রীমেন্টকী মখাদা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নর গৌতম বম্বাৱালেদা রিপোর্ট অমা পীরকখি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক পাকিষ্টানগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ইন্দিয়াগী মীচম ৫৪৬ লোম লৈরি হায়বা খঙবা ঙমখি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ফাজিন্দুনা থম্লিবা পাকিষ্টান মচাশিংগী মতাংদসু মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা ন্যু দিল্লিনা ইস্লামাবাদতা খূৎশিন্নরগনি হায়রি।

ফোরেন ওফিসনা হায়খি, লৈবাক অনীগী মরক্তা অচেৎপা মরী শাগৎনবগী পান্দমদা পাকিষ্টাননা হৌখিবা জান্যুৱারী ৬ তা ইন্দিয়াগী ঙামী ২১৯ থাদোরকখি। জুলাই ১০ দা অতোপ্পা ঙামী ৭৪ থাদোক্নবগী মতাংদসু পাকিষ্টাননা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

জান্যুৱারী ১ দা ইস্লামাবাদনা ন্যু দিল্লিদা পীরকখিবা রিপোর্ট অমদা ইন্দিয়াগী মীচম ৫৪ অমসুং ঙামী ২৯৭ পাকিষ্টানগী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা ফাজিন্দুনা থম্লি হায়না ফোঙদোরকখি। লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অমনা অমগী ফাজিন্দুনা থম্নরিবা মীচম অমসুং ঙামীশিং থাদোকপগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরকখি। থৌরাং অসিগী মনুং চন্না জুলাই ১০ দা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াগী ঙামী ৭৭ থাদোরক্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফারম্মী হায়বগী মরালদা টামিল নাদুগী ঙামী ৫ শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনবা লৈখ্রবনি।

টামিল নাদু ফিশরমেনস এসোসি-এসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জে বোসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, তাঙ্গচিমাদমগী ঙামীশিং অদু ঙা ফারিঙৈদা শোয়দুনা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লুবদগী শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাখিবনি। ফারবা মীওই পুম্নমক কঙ্গেসন্তুরাই পোর্ট তম্না পুখ্রে হায়রি।

ইন্টরনেসনল মেরিটাইম বাউন্দরি লাইন লানশিন্দুনা ঙা ফারম্মী হায়বগী মরালদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা হন্দক্তসু টামিল নাদুগী ঙামী ২৫ তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদগী ফাবা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পালানিস্বামিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, নাগাপটনমদগী শ্রীলঙ্কন নেভিনা টামিল ঙামীশিং ফাখিবগী থৌওং অদু তরাইনা লৌফম থোক্তে। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। থা অসিগী মনুংদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লকই হায়বগীদমক টামিল নাদুগী ঙামী ৫০ হেন্না ফাবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, ঙামীশিংনা শ্রীলঙ্কন নেভিগী কা হেনবা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

অরুনাচল প্রদেশতা ঈ-ইন্নর লাইন পর্মিট প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইটানাগর, জুলাই ০১ (এজেন্সী) : অরুনাচল প্রদেশতা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওইশিং চঙলকপগী থৌওং য়েংশিন্নবগীদমক ষ্টেট অসিদা ঈ-ইন্নর লাইন পর্মিট (ঈ-আই এল পি) প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱেব পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিংনা ওনলাইনদা আই এল পি লৌবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমদগী অরুনাচল প্রদেশতা চঙবা মতমদা ইন্টর্নেটকী খুত্থাংদা ইন্নর লাইন পর্মিট লৌবা য়ারগনি।

BEFORE THE OATH COMMISSIONER : MANIPUR AT IMPHAL

AFFIDAVIT FOR CHANGE IN NAME

By this deed I, the undersigned **Loitongbam Ningthem Meitei** on behalf of my minor daughter namely **Victoria Loitongbam,** previously called as **Loitongbam Manibati Devi,** a resident of Mayang Imphal Ani Longbi, P.O. & P.S. Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur solemnly declare:-

1. That for and on behalf of my daughter and remitter issue wholly renounce/relinquish and abandon the use of my daughter's former named of **Loitongbam Manibati Devi** and in place thereof my said daughter do hereby assume from this date the named **Victoria Loitongbam** and so that I and remitter issue may hereafter be called, known and distinguished not by my daughter's former name/ surname and title, but name/surname of **Victoria Loitongbam.**
2. That for the purpose of evidencing such her determination declare that my daughter shall at all times hereafter in all official/service records, deeds and writings and in all proceedings, dealings and transactions, private as well as upon all occasions whatsoever use and sign the name/surname of **Victoria Loitongbam** as her surname/ name in place and in substitution of her former name.
3. That I expressly authorize and request all persons in general and relatives and friends in particular, at all times hereafter to designate and address my daughter by such assumed name/surname of **Victoria Loitongbam** accordingly in future.
4. I have hereunto mentioned my daughter's adopted name/surname of **Victoria Loitongbam** and affix my signature on this 30th day of June, 2017.

Verified on this 30th day of June, 2017 at Imphal that the above statments made in foregoing paragraph No. 1 to 4 of this Affidavit are all true and correct to the best of our knowledge and nothing material has been concealed therein.

By: M. Inaocha Singh
Advocate

L. Ningthem Meitei
Signature of Deponent

Y. Sanatomba Meetei
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal-West, Manipur

HL-P/1972/2

ইন্দিয়ানা কুলভুষনদা কোন্স্যুলর এসেস পীবীনবা পাকিষ্টানদা অমুক্কা হন্না হায়জখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টানগী মিলিটরি কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা কুলভুষন যাদবতা কোন্স্যুলর এসেস পীনবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা অমুক হন্না তকশিনখ্রে।

লৈবাক অনীনা ফাজিন্দুনা থম্নরিবা মীওইশিং মথং-মথং থাদোক্নবা হৌরবনিনা অথুবা মতমদা ইস্লামাবাদনা কুলভুষন যাদবতা মপুং ফাবা কোন্স্যুলর এসেস পীফম থোকই হায়না ন্যু দিল্লিনা ফোঙদোকখি।

এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, হৌজিক-হৌজিক পাকিষ্টানগী জেলশিংদা হামিদ নেহাল অন্সারি অমসুং কুলভুষন যাদব য়াওনা ইন্দিয়াগী মীওই ৫৪৬ ফাজিন্দুনা থম্লি। হায়রিবা মীওইশিং অদু য়ানবা অমগী মখাদা ইস্লামাবাদনা অথুবা মতমদা থাদোক্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

লোন্না পাউ লৌরম্বগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী মাঙনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলম্মী হায়বগী মরালদা পাকিষ্টানগী মিলিটরি কোর্ট অমনা হৌখিবা এপ্রিল থাদা কুলভুষন যাদবপু শিবগী চৈরাক পীনবা য়াথং পীখি। ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিশ (আই সী জে)দা ৱাকৎখি। মে ১৮ দা আই সী জেনা পীখিবা ৱায়েল অমনা যাদবপু মখা তাবা ৱাফম অমা ইন্টরনেসনল কোর্ট অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লিৱা ফাওবা শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোই হায়না খঙহনখি।

করিগুম্বা কুলভুষন যাদবপু রিছার্স এন্দ এনালাইসিস ৱিং (রো)গী স্পাইনি হায়না মরাল পীশিল্লগা থৌরী য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীবা থোক্লবদি ইস্লামাবাদনা খুদোংথীবা নংগনি হায়না পাকিষ্টানদা অকনবা ৱারোল য়াওবা পাউজেল অমা থারদুনা ইন্দিয়ানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা হায়খি, কুলভুষন যাদবনা অরানবা তৌখি হায়বগী মতাংদা মতিক চাবা খুদম অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রি। শেমজিন-শাজিনবা মরাল কয়া মহাক্কী মথক্তা শীরকপা থেংনবদা অঙকপা পোকই।

পাকিষ্টশননা যাদবতা শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা স্বরাজনা হায়খি, মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা পাকিষ্টাননা মরাল লৈতবা ইন্দিয়া মচা অমবু থৌরী য়াল্লগা হাৎনবা হোৎনরকপনি।

পাকিষ্টানদা ৱার্নিং পীরদুনা মহাক্না হায়খি, ইস্লামাবাদনা করিগুম্বা যাদবপু শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং থবক্তা ওন্থোরকপা তারবদি য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই।

কুলভুষন যাদবপু পাকিষ্টাননা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল লাউথোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগী বন্দিশিং মখা তানা থাদোক্লরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

লোন্না পাউ লৌরম্বগা লোয়ননা মাঙ-তাকনিংঙাই ওইবা থৌওং চথরম্বগীদমক কুলভুষন যাদবপু শিবগী চৈরাক পীবগী ৱাফম পাকিষ্টান আর্মিগী মকোক জেনরেল কামর জাবেদ বাজৱানা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

পাকিষ্টাননা মালেমগী চৎন-কাঙলোন পুম্নমক ইকায় খুম্নবগী মহুৎতা ইন্দিয়া মচা অমবু অরানবা মরাল পীশিন্দুনা শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী লমন খুম্বা ওইনা ন্যু দিল্লিগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

মশাগী চহী ৪৬ শুরবা যাদবপু পাকিষ্টানগী ফিল্ড জেনরেল কোর্ট মার্শল (এফ জি সী এম)না মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা পাকিষ্টান আর্মিগী মকোক্না শিবগী চৈরাক পীবগী ৱাফম অয়াবা পীখি।

জুন ২২ দা কুলভুষন যাদবনা পাকিষ্টান আর্মিদা মর্সি পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপা লৈখ্রবনি। যাদবনা তৌরুবা থবকশিংগীদমক মরাল কোকপীবগা লোয়ননা মঙোন্দা শিবগী চৈরাক পীনবা লাউথোকখিবা ৱায়েল অদু খোঙফম হন্দোকপীনবা পাকিষ্টানগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফতা হায়জখিবনি।

COMET
NOTICE

REGULAR COURSE CLASSES FOR
NEET (Medical) & JEE-MAINS (Engineering) 2017-18
Will commence from 05/07/2017

HL-B/3983/2,3,4
Sd/- Administrator

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL, D.M.COLLEGE OF ARTS, IMPHAL

NOTICE

B.A. 1st Semester 2017 Admission (Third & Final Phase/ Open General Counselling)

1st July, 2017

No.2/1/Adm/07-DMCA: *Notice is hereby served for information of all candidates concerned that consequent upon the emergence of certain vacancies at the close of the stipulated duration for the Second Phase Admission terminating on 1st July 2017 and in pursuance of earlier notifications* the **Third and Final Phase of Admission** shall be held on **03/07/2017** in the form of an **Open General Counselling** as per the following **details**:

1. **Vacancies : 41**
   a) UR : 20 b) ST : 13 c) OBC : 08
2. Only those remaining candidates on the **Consolidated Merit Reserve List** will be considered. (***Candidates already on Phases – 1 & 2 will be excluded***)
3. Names of prospective candidates for all categories will be called out one by one in **successive order of merit** till the vacancies are filled up.
4. The Open General Counselling shall be in the sequence of UR, ST and OBC. (each category after the exhaustion of the previous)
5. Intending Candidates/Guardians concerned (as per No. 2) may appear in person 30 minutes ahead with necessary documents for immediate admission, ***if allowed***. (Hall Card and Admission Amount
   i) HIG: ₹ 3983.00 ii) LIG: ₹ 3155.00)
6. **Absentee** Candidates in one category will not be reconsidered for any other categories.
7. The Counselling will start positively from **1pm** of **03/07/2017** on the premises of the college.
8. The Open General Counselling shall be the concluding part of the Admission process for B.A. 1st Semester 2017.
9. Further necessary details will be made known to all the candidates at the time of General Counselling.

Sd/-
Sarangajit Khundrakpam
Principal

HL-P/1976/2

[illegible]/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3918/5/6-4/7